**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 03-07-2025)**

**রাজ্যপাল (এল)ঃ** মনিপুরগী রাজ্যপাল-অজয় কুমার ভালানা সভাপতি ওইদুনা ঙসি ইম্ফালগী রাজ ভবনদা পাঙথোকপা মীফম অমনা তোঙান তোঙানবা বিভাগশিংনা লৌখৎলিবা চাউখৎ থৌরাংশিং অমসুং লৈঙাক সাসনগী থবকশিং য়েংশিনখ্রে।

ঙসি য়েংশিনখিবা বিভাগশিং অদুগী মনুংদা-ভেটিরিনারি এন্দ এনিমেল হসবেন্দরি সার্ভিসেস, ত্রান্সপোর্ট অমসুং আয়ুস য়াওরি। রাজ্যপালগা উন্নবা অদুদা এদমিনিষ্ট্রেটিব সেক্রেটরিশিংনা মখোয়গী মখোয়গী বিভাগশিংনা পায়খৎলিবা চাউখৎ থৌরাংশিংগী মতাংদা পাউদমখি।

ভেটিরিনারি এন্দ এনিমেল হসবেন্দরিগী সেক্রেটরিনা মনিপুরগী পোনি য়োকখৎনবা বিভাগ অসিনা লৌখৎলিবা খোঙথাংশিংগী মতাংদা নীংথিনা খঙহনখি। অমরোমদা, ত্রান্সপোর্ট সেক্রেটরিগী মায়কৈদগীসু রাজ্য অসিদা পোৎ-চৈ পুবা গাড়িশিং অয়েৎপ অপন য়াওদনা চৎথোক চৎশিন তৌবা য়ানবা অমদি লম্বীগী খুদোংথিবা থৌদোকশিং হন্থহন্নবা পায়খৎলিবা থবকশিংগী মতাংদসু রাজ্যপালদা থমখি। মসিগীসু মথক্তা দিষ্ট্রিক্ট ত্রান্সপোর্ট ওফিসশিংগী ইনফ্রাষ্ট্রকচর ফগৎহন্নবা লৌখৎলিবা খোঙথাংশিংগী মতাংদসু পাউদমখি।

অমরোমদা, ত্রান্সপোর্ট সেক্রেটরিনা রাজ্য অসিগী তোঙান তোঙানবা জিলাশিংদা হেলিপেডশিং শেমগৎ-শাগৎপগী থবক চথরিবা অদুগী মতাংদসু রাজ্যপালদা খঙহনখি।

বিভাগশিং অসিনা পায়খৎলিবা থবক থৌরমশিং অদুগীদমক রাজ্যপালনা থাগৎপা ফোংদোকপগা লোয়ননা মখা তানা অহেনবা থবকশিং পায়খৎতুনা মীয়ামদা কান্নবা ফংহন্নবা ওফিসিএলশিংদা পাউতাক পীখি।

**জিরিবাম (এল)ঃ** রাজ্য অসিদা থোক্লিবা ইরাং অসিনা মরম ওইরগা রিলিফ কেম্পশিংদা লৈরিবা মীওইশিংগী অৰাৎ অপা অমদি খুদোংচাদবশিং য়েংশিনবীনবা ঙসি রিলিফ মোনিটরিং কমিতি-জিরিবামনা রাজ্যপাল-অজয় কুমার ভালাদা অইবা চেরোল অমা পীশিনখ্রে।

চেরোল অদুদা রিলিফ কেম্পতা লৈতবা আই.দি.পিশিংবুসু তেংবাং পীবিনবা ওফিসিএল রেজিষ্ট্রেসন পোরটেলদা এনরোল্ড তৌবগী অয়াবা পীবিয়ু। শেল থুমগী ফিভম ফত্তবনা মরম ওইরগা অনা লায়েংগী খুদোংচাদবা মায়োকরিবা আই.দি.পিশিংদা শেলগী মতেং পীবিয়ু। মসিগীসু মথক্তা রিলিফ কেম্পকী মপানদা অনা লায়েং চথরিবা অরুবা লায়নানা নারবা মীওইশিংগী টি.এ.-দি.এ. শাবীনবসু তকশিনখি।

**বন মহোৎসব (এল)ঃ** থা অসিগী ১ দগী ৭ ফাওবা লৈবাক শিন থুংনা পাঙথোক্কদবা ৭৬ শুবা বন মহোৎসবকী শরুক অমা ওইনা ঙসি থৌবাল ফোরেষ্ট দিভিজন্না শিন্দুনা থৌবাল খুনৌদা উ চারা থাখ্রে। জিলা অসিগী দিপ্যুতি কম্মিসনার অমসুং জিলা থাক্কী অতৈ ওফিসিয়েলশিং, সেক্যুরিতিগী মীওইশিং অমদি মৈরা পায়বী অমসুং মহৈরোইশিং য়াওনা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা থৌবাল প্লে গ্রাউন্দগী অকোইবদা উ চারা লিশিং ১ রোম থাখি।

অমরোমদা, ৭৬ শুবা বন মহোটসবকা মরী লৈননা উ থাবগী থৌরমশিং পাঙথোকখি। উখ্রুল জিলাগী বাশিমতাং হুংপুংদা চিফ কঞ্জারবেটর ওফ ফোরেষ্ট-জি. থাইমৈ য়াওনা পাঙথোকপা থৌরম অমদা বন মহোটসব অসিগী ব্রান্দ এম্বাসেদরসু ওইরিবী মিস শিরুই লিলি ২০২৫- ইসমে সিংহ সাইজানা হায়-

**সেক্যুরিতি (এল)ঃ** রাজ্য অসিদা হৌজিক থোক্লিবা ইরাং অসিগা মরী লৈননা চিংখোঙ চিংয়াদা লৈবা লৌফমশিং অকিবা লৈতনা লৌ উবা য়াহন্নবা

সেক্যুরিতিগী চেকশিন থৌরাংশিং লৌখৎলি।

পুলিসকী পাউনা হায়-সেক্যুরিতি এদভাইজর, চীফ সেক্রেটরি অমসুং রাজ্য পুলিসকী দাইরেক্তর জেনরেলনা সভাপতি ওইদুনা হেদক্কাটরসশিংগী মীফম অমা হৌখিবা জন ২৮ দা পাঙথোকখ্রে। সেক্যুরিতি ফোর্স পুমমক য়াওনা পাঙথোকখিবা মীফম অদুনা হন্দক বিষ্ণুপুর জিলাগী ফুবালাদা থোকখিবা থৌদোক অদু মখা তানা থোক্তনবা লৌখৎলিবা চেকশিন থৌরাংশিং কুপা খন্নখি।

চিংখোঙ চিংয়াদা লৈরিবা লৌফমশিংদা লৌমীশিংনা অকি-অখঙ য়াওদনা লৌ শুবা য়াননবা, চিং অমসুং তম্পাক্কী ইরাং থোরকপা য়াবা মফমশিংদা সেন্ত্রেল ফোর্সশিংনা ঙাক শেল্লি। মসিদা রাজ্য পুলিসকী পার্সোনেলশিংসু তেংবাংদুনা অকনবা চেকশিন থৌরাং লৌখৎলি। ফুবালাদা থোকখিবা থৌদোক অদুগী য়েংলগা মখা তানা সেন্ত্রেল সেক্যুরিতি ফোর্সশিংনা মফম অদুদা অমুক হন্না ঙাক শেনবগী থবক পায়খৎলি।

**ইম্ফাল(এল)ঃ** ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী মনুংদা লৈবা সরকারগী অমসুং লন্নাই স্কুলশিংগী মহৈরোইশিংগী ওটোমেটেদ পারমেনেন্ট একাউন্ট রেজিষ্ট্রি (অপার) আই.দি.জেনেরেট তৌনবা অমসুং চহি ১৮ গী মখাদা লৈবা অঙাংশিংনা মশাগী চহি মঙা অমসুং ১৫ শুরকপদা তঙাইফদনা বাইওমেত্রিক অপদেদ তৌদুনা অধার এনরোলমেন্ট তৌগদবনি হায়রি।

জিলা অসিগী দিপ্যুতি কম্মিস্নারনা থোকপা চেরোল অমনা হায়-মহৈরোইশিংগী অধার এনরোলমেন্ট, করেক্সন অমসুং জেনরেসন জলাই ৩১ ফাওবগী মনুংদা তৌহৌনবা অখন্নবা কেম্প অমা থা অসিগী ৯ দা পাঙথোক্কনি। মসিগী নোটিশ তোঙাননা থোরক্কনি হায়রি।

**বিষ্ণুপুর(এল)ঃ** বিষ্ণুপুর জিলাগী দিপ্যুতি কম্মিস্নার-পুজা এলাংবমনা মীফম মপু ওইদুনা জিলাগী থাক্তা অধার মোনিটরিং কমিতিগী মীফম অমা ঙসি বিষ্ণুপুরগী

মিণি সেক্রেটরিয়েটকী কনফরেন্স হোলদা পাঙথোকখ্রে।

মীফম অদুদা মরুওইনা জিলা অসিগী ওইনা অধার কার্ড মপুং ফানা শেমবা অমসুং মেন্দেটরি বাইওমেত্রিক অপদেদ (এম.বি.য়ু) পাঙথোকবা খন্নখি। লোয়ননা অনরোলমেন্ট এন্দ অপদেদ অমসুং বার্ড রেজিষ্ট্রেসন বেজ অধার এনরোলমেন্ট (বি.আর.বি.এ.ই) প্রোজেক্টকী মতাংদসু কুপা খন্নখি। জিলাগী থাক্তা পাঙথোক্লিবা অধার এনরোলমেন্ট দ্রাইব অসিনা থা অসিগী ৭ ফাওবদা মীপুম খুদিংমক অধার কার্ড শাবা অমসুং মসিগী মরুওইবশিং অদু খঙহন্নবা পান দম থল্লি।

**কোবিদ (এল)ঃ** মনিপুরদা ঙসি নৌনা মীওই তরুক কোবিদ নাইন্তিন পোজিটিব ওইরকপগা লোয়ননা রাজ্য অসিদা পুন্না পোজিটিব ওইবা মশিং ২৭৫ শুরে। মসিগী মনুংদা এক্তিব কেস ৭৩ লৈরি।

রাজ্যগী হকশেল বিভাগনা থোকপা চেরোল অমদা হায়-ঙসি মীওই ১৩ দিচার্জ তৌখিবগা লোয়ননা জন্ অমদগী ঙসি ফাওবদা নাবা ফদুনা দিচার্জ তৌখিবা মশিং ২০২ শুরে।

**তুরেল (এল)ঃ** তুরেল লৌনম্বাল নীংথিনা য়েংশিনবীদবদগী কৈকোন, নিলাকুথি, কোইরেঙ্গৈ, কাইরং, মাইবা খুল, মোংজম, হৈঙাং, কোন্থা অচানবিঙৈ, অহল্লুপ, কোন্থা খাবম, লাইরিয়েংবম লৈকাই অমদি খুরাইনচিংবদা হন্না হন্না ঈশিং ঈচাও থোক্তুনা ইনভাইরোনমেন্টতা শোকহনবা অমসুং মীয়ামগী খুদোংচাদবা কয়া থোকহল্লিবা অসি য়েংশিনবীনবা অপুনবা ইমাগী মচাশিং (এইমস) মনিপুরনা রাজ্যপালদা তকশিনখ্রে।

ঙসি রাজ্যপালদা পীশিনখিবা চেরোল অমদা এইমসনা তোঙান তোঙানবা থৌরাং অহুমখক অথুবদা লৌখৎপীনবা তকশিনখি। থৌরাংশিং অদুগী মনুংদা-তুরেল লৌনম্বালশিং চাং নাইনা য়েংশিনবীনবা অমদি শেংদোকপীনবা, তুং

কোইনা চৎনগদবা ঈচাও থেংননবা অমসুং ঈচাওগী অৱাবা নংলবা মীয়ামদা ক্ষেতিপুরোন অমসুং তেংবাংগী পেকেজ মতিক চানা পীবিনবা ৱাফম য়াওরি।

**জিরিবাম (এল)ঃ** জিরিবামগী দিপ্যুতি কম্মিস্নার-কৃষ্ণকুমারনা ঙসি বোরোবেক্রা সব দিভিজনগী জাকুরাধোর সেক্তরগী মনুং চন্না লৈবা মোধুপুর, দোহলাখাল মীতৈ অমসুং তুপিধোরদা নৌনা শাবা অঙ্গনৱাদি সেন্টর শঙ্গাখ্রে। সেন্টরশিং অসি কেন্দ্র সরকারগী ৱিমেন এন্দ চাইল্ড দিবলপমেন্ট মন্ত্রালয়গী মখাদা পায়খৎলিবা বেতি বচাউ, বেতি পরাও স্কিমগী মখাদা পায়খৎপনি।

থৌরম অদুদা ৱা ঙাংবদা দিপ্যুতি কম্মিস্নার-কৃষ্ণকুমারনা অঙ্গনৱাদি সেন্টরশিংগী মরুওইবা কয়াগী মতাংদা পল্লদুনা হায়-খুন্নাই অসিদা লৈরিবা লাইরবা ইমুংগী অঙাংশিংগী মহৈ মশিং অমসুং হকশেলগী ফিভম ফগৎহন্নবা হোৎনবদা সেন্টরশিং অসিনা অচৌবা থৌদাং লৌরি।

**ফারমাসি (এল)ঃ** রাজ্য সরকারগী দ্রগ কন্ত্রোল ওথোরিতিনা পীবা লাইসেন্স য়াওদনা ফারমাসি কয়া হাংদোক্লে। মসিগীসু মথক্তা দ্রগ এন্দ কোসমেটিক এক্ট ১৯৪০ গী মায়োক্তা রিটেল ফারমাসিগী মশিং হেনগৎলক্লে। মরম অদুনা ষ্টেট দ্রগ কন্ত্রোল দিপার্টমেন্ট অমদি লো ইনফোর্সমেন্ট এজেন্সিশিংনা হীরম অসিগী মতাংদা মীৎয়েং চংবিয়ু হায়না মীতৈ-পাঙল রেজিস্তারদ ফামাসিষ্ট এসোসিয়েসন ওফ মনিপুরগী চেরোল অমনা ফোংদোরক্লি।

**কলেজ (এল)ঃ** খা মনিপুর কলেজতা একাডমীক সেসন ২০২৫-২৬ তা বি.এ, বি.এস.সি, বি-কোম অমসুং বি-ভোকেস্নেল কোর্সেসকী অহানবা সেমিস্তরদা মিং চল্লকপা মহৈরোইশিংগী ইন্দক্সন প্রোগ্রাম অমা ঙসি কলেজ অসিদা পাঙথোকখ্রে।

**খাউ (এল)ঃ** মালেম পুম্বদা পাঙথোকরিবা ইন্টরনেসনেল প্লাষ্টিক বেগ ফ্রি ডেগা মরী লৈননা ইকো নেটৱার্ক মনিপুর অমদি ইকোপ নিংথৌ ভি.এল.এফ. হৈরোক পার্ট টুগা খুৎশমরগা ঙসি ৱাংজিং বজারদা ফিগী খাউ য়েন্থোকখ্রে।

**জয়শঙ্করঃ** ভারতনা টেরোরিজমগী মতাংদা লৌরিবা ফিরেপতা নোংচুপ লৈবাকশিংনা তুমিন্না লৈশিনবগী মরম করিনো হায়না মপান থৌরম মন্ত্রি-ডা: এস. জয়শঙ্করনা হংলি। মহাকা হায়-হেন্না চুংশিন্নবা মালেমগী ওইবা পাউখুম অমগী তঙাইফদবা লৈ।

ৱাশিংটনদা পাউমীশিংদা ৱা ঙাংবদা ডা: জয়শঙ্করনা হায়-লৈবাক খরনা টেরোরিজমগী খুৎথিবা নংলিঙৈদা লৈবাক কয়ানা মখোয়গী ফিরেপ অয়াম্বা মতমদা লৌবা ঙমদে। মখোয়সু মখোয়না অৱাবা অসি থেংনরবা মতমদতা ৱারেপ অসি লৌরক্কনি।

**পিএমঃ** প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদিনা ত্রিনিদাদ অমসুং তোবেগোদা চৎকদৌরিবা অদুগী মতাংদা লৈবাক অদুদা লৈরিবা ভারতকী হায় কম্মিস্নার-ডা: প্রদিপ রাজ পোরোহিতনা হায়-লৈবাক অনিনা লৈনরকপা মরীগী ১৮০ শুবা কুমওন পাঙথোক্কদৌরি।

অকাশবানিগা অখন্ননা উন্নবা অমদা শ্রী রাজ পোরোহিতনা হায়-ভারত্তগী মাহল লিশিং-লিশিং লাপা লৈবাক অদুদা লৈরিবা ভারত মচাশিংনা মখোয়গী নাৎ অমসুং চৎনবী অমদি সংস্কৃত্তি ঙাক্তুনা থম্লিবনা মখোয়গীদমক্তদি প্রধান মন্ত্রিগী খোঙচৎ অসি য়ামা শিংথানিংঙাই ওইবা মীকুপ অমা ওইরি। মহাকা হায়-মফম অদুদা লৈরিবা ভারত মচাশিংতা নত্তনা খুন্নাই অদুগী মীপুম খুদিংমক প্রধান মন্ত্রি লাক্কদৌরিবা হায়বসিদা থোইদোকা নুংঙাইবা পোকরি। হায় কম্মিস্নারনা হায়-প্রধান মন্ত্রিগী খোঙচৎ অসিনা লৈবাক অদুগা ভারতকগী মরক্তা হকশেল, রিন্যুয়েবল ইনর্জি, লৌউ শিংউ, কেপাসিতি বিল্ডিং অমসুং স্কিল দিবলপমেন্টকী

লমদা তেংবাং পীনবা হেনগৎহল্লগনি হায়না থাজনরি।

**মীফম ঃ** সংসদকী নোংজ্ মীফম থা অসিগী ২১ দগী হৌরগনি। মীফম অসি মথং থাগী ২১ ফাওবা চথগনি।

পার্লিয়ামেন্টরি এফ্যারস মন্ত্রি কিরেন রিজিজ্না হায়- সংসদকী নোংজ্ মীফম জ্লাই ২১ দগী ওগষ্ট ২১ ফাওবা ফমবা সরকারগী প্রস্তাব অদু রাষ্ট্রপতি দ্রৌপদি মুরমুনা য়ারে। শ্রী রিজিজ্না হায়- নীংতম নুমিৎ পালনগী য়েংলগা ওগষ্ট ১৩ অমসুং ১৪ দা মীফম লৈরোই।

**দিল্লিঃ** লৈবাক্কী কোনুং দিল্লিদা থা অমা চুপা চথগদবা বন মহোটসব ২০২৫ ঙসি হৌখ্রে। থৌরম অদু মুখ্য মন্ত্রি-রেখা গুপ্তনা এক পের মা কে নাম থৌরাংগী মখাদা উ চারা অমা থাদুনা হৌদোকখি।

থৌরম অদুদা উ চারা লাখ ৭০ থানবা মেগা প্লান্টেসন কেম্পেইন হৌদোকখি। মসিনা বিধান সভা কেন্দ্র ৭০ মক্তা উ চারা থানবা পান্দম থল্লি।

**বেনঃ** ভারত সরকারনা পাকিস্তানগী এক্তর অমসুং ক্রিকেটর কয়াগী সোসিএল মেদিয়া একাউন্টশিং লৈবাক অসিদা থিংখ্রে।

পাউ খরনা হায়-চহি অসিগী মে থাদা সরকারনা পাকিস্তানগী য়ু ট্যুব চেন্নেলশিং অমদি সোসিএল মেদিয়া একাউন্ট কয়া ভারতকী মায়োক্তা অরানবা পাউ শন্দোকপা অমসুং কায়হৌবা ৱারোল কয়া য়াওবগীদমক থিংজিনখি। মখোয়শিং অদুগী মনুংদা শকাইরবা এক্তরশিং-সবা কমর, অহত রাজা মির, য়ুমনা জাইদি অমসুং দানিস তাইমুরগী ইন্সত্রগ্রাম একাউন্টশিং অমসুং ক্রিকেটর-সহিদ অফিদি অমদি সোআইব অক্তরগী য়ু ট্যুব চেন্নেলশিং য়াওরি।

**ক্রিকেট (এল)**ঃ ত্রাউ ক্বাকৈথেলনা মঙাশুবা এম.এন.সি.এ. লুৱাংপোকপা টি-

টোইন্তি ট্রোফি ২০২৪-২৫ গী চেম্পিয়ন ওইরে।

থৌবালগী মোইজিং পাব্লিক গ্রাউন্দদা ঙসি শান্নখিবা ফাইনেল মেটচতা ত্রাউ ক্বাকৈথেলনা সাইক্লোন থাংমৈবন্দবু রন-অহুমদা থোইখিবনি। ট্রোফি অসিগী ফাইনেল মেটচ অদুগী খ্বাইদগী রন য়ামা লৌখিবা শান্নরোই অমদি প্লেয়ার ওফ দা মেটচনা ত্রাউ-ক্বাকৈথেলগী প্রিয়োজিৎ কাঙাবম অমসুং ৱিকেট খ্বাইদগী য়ামা লৌখিবা অমদি প্লেয়ার ওফ দা সেরিজনা সাইক্লোন থাংমৈবন্দগী কিষন লাইশ্রমনা ওইখি।

**অম্ফা (এল)ঃ** সব জ্নিয়ার গালর্স নেসনেল ফুটবোল চেম্পিয়নসিপ ২০২৫-২৬ তা শরুক য়াগদবা ষ্টেট সব জ্নিয়ার গালর্স ফুটবোল টিমগী ট্রাইবেল কম কোচিংদা শরুক য়াগদবা অহেনবা শান্নরোইশিংগী মিং লাউথোকখ্রে।

শান্নরোইশিংনা হয়েং অয়ুক পুং ৭ তাবা মতমদা লমলোং থোংখোঙগী আর্টিফিসিএল তব গ্রাউন্দদা ফুল কিটসকা লোয়ননা রিপোর্ট তৌগদবনি হায়না অম্ফাগী চেরোল অমনা খঙহল্লি।

**ফুটবোলঃ** থাইলেন্দদা চথরিবা এ.এফ.সি. ৱিমেন্স ফুটবোল এসিয়ান কপ ২০২৬ ক্বালিফাইয়রদা ভারতনা ইরাকপু পাঞ্জল ৫-০ দা থোইখ্রে।

ভারতনা পোইন্ট ৯ ফংদুনা গ্রুপ (বি) গী মকোক্তা লৈরি। গ্রুপ (বি) গী অরোইবা মেটচশিংদা লাক্লিবা থাংজ নুমিৎতা ভারতনা য়ুম্বু ওইরিবা থাইলেন্দগা শান্নগনি।